# নিতিস কুমারনা লূচিংবা জে দি (য়ু) এন ডি এদা য়াওখ্রে

পটনা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

নিতিস কুমারনা লূচিংবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না ঙসি হৌনবী মতুংইন্না নেসনল ডেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন ডি এ) দা য়াওখ্রে।

পার্টিগী সিনিয়র লীদর কে সী টিয়াগীনা হায়খি মদুদি, চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্সতা পাঙথোকখিবা নেসনল ইগজিক্যুটিভ মীটিংদা বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এদা য়াওনবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখি। সোর্ছ অমগী মতুংইন্না মীফম অদুদা জে দি (য়ু) গী এম এল এ ৭০, লোক সভাগী এম পি ২ অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি ৭ শরুক য়াখি হায়রি।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা জে দি (য়ু) বু এন ডি এদা য়াওরক্নবা চেবাউ পীরকখ্রবা মতুংদা নেসনল ইগজিক্যুটিভকী মীফম পাঙথোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি।



অমরোমদা জে দি (য়ু) গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা শরদ য়াদবনা লূচিংবা কাঙবুনা পার্টিগী তেনজৈ য়েকপা সিম্বোল ফংনবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎলগনি হায়রি। শরদ য়াদবকা নক্নবা জে দি (য়ু) গী লূচিংবা অরুন শ্রীভাষ্টবনা হায়খি, অথুবা মতমদা পার্টিগী তেনজৈ য়েকপা সিম্বোল ক্লেম তৌনবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎলগনি। শরদ য়াদবনা পার্টিগী অশেংবা লূচিংবনি হায়না মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা থৌরাং অমসু লৌখৎলগনি।

টিয়াগীনা হায়খি, সিনিয়র লীদর শরদ য়াদবনা এলায়েন্সতা য়াওনিংদবগী ৱাফম পুখৎনবা রাইট লৈ অদুবু আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবনা শিনবা থৌরমদা য়াওফম থোক্তে। শরদ য়াদবনা জে দি (য়ু) গী নেসনল ইগজিক্যুটিভ মীটিংদা য়াওবা তারবসু লালু প্রসাদ য়াদবনা শিনবা থৌরমদদি য়াওরোইদবনি।

শরদ য়াদবনা লূচিংবা জে দি (য়ু) না হিষ্টোরিক ওইরবা গান্ধী মাইদান মনাক্তা লৈবা এস কে মেমোরিয়েলদা জন অদালত পাঙথোক্লিঙৈগী চৈরক্তা টিয়াগীগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মমাঙদা নিতিস কুমার অমসুং শরদ য়াদবনা লূচিংবা জে দি (য়ু) গী ফেক্সন মশেল চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্স মনাক্তা খূৎ থোক্লখি। শরদ য়াদব শৌগৎপা মীওই খরনা চৈ অমসুং পেটি পায়রগা নিতিস কুমারগী ময়ূমদা চঙনবা হোৎনরুবদগী নাকল অনী খূৎ থোক্লরকখিবনি।

নেসনল ইগজিক্যুটিভকী মীফম য়াওদুনা লৈরম্বা নিতিস কুমারগী সপোর্টরশিং থোরক্লগা য়াদব শৌগৎপা মীওইশিং তানখায়নবা হোৎনরকখি। মতৌ অসুম্না নাকল অনী খূৎ থোক্লরকখি।

জুলাই ২৬ তা চীফ মিনিষ্টরনা গ্রান্দ এলায়েন্সতগী তোকখ্রবা মতুংদা জে দি (য়ু) মচেৎ তারকখিবগা লোয়ননা নিতিস কুমারনা লূচিংবা ফেক্সন অমা অমসুং শরদ য়াদবনা লূচিংবা ফেক্সন অমা থোক্লকখি।

হৌজিক হৌজিক জে দি (য়ু) গী মেম্বর ১২ পার্লিয়ামেন্টতা লৈরি। লোক সভাদা মেম্বর অনী অমসুং রাজ্য সভাদনা মেম্বর ১০ নি। রাজ্য সভাদা পার্টি অসিগী লূচিংবা ওইনা লৈরিবা শরদ য়াদবনা বি জে পিগা খূৎশম্নবগী ৱাফম কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুবু পার্টিগী লূচিংবশিং অমসুং লোমেকরশিংনা য়াদবকী মায়োক্তা লেপখি।

চয়োল অসিগী হৌগৎলকপদা হান্নগী লূচিংবা শরদ য়াদব শৌগৎলি হায়বগীদমক জে দি (য়ু) না হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং হান্নগী এম এল এ খরা য়াওনা পার্টিগী লীদর ২১ তাম্থোকখি। শরদ য়াদবপুসু রাজ্য সভাদা পার্টিগী লূচিংবা ওইনা লৈরম্বদগী মফম লৌথোকখি।

চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা জে দি (য়ু)-আর জে দি অমসুং কোংগ্রেস পূল্লগা শেম্বা গ্রান্দ এলায়েন্সতগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগী থৌওংবু য়াদবনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদনা শিনবা 'দেশ বচাও বি জে পি ভগাও' রেল্লিদা শরদ য়াদবনা শরুক য়ানবা থৌরাং লৌখৎলকপগী থৌওংবুসু নিতিস কুমার শৌগৎপা কাঙবুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

# মুজাফরনগরদা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২৫ শিরে, ৫০ হেন্না শোক্লে

মুজাফরনগর, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগর মনুং চন্না লৈবা খাতোলি রিজন্দা ঙসি পুড়ি-হরিদ্বার কলিঙ্গ উতকাল এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২৫ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৫০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে।

য়ু পিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) অর্বিন্দ কুমারগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, অশিবা হকচাং ২৫ অমসুং অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং খাতোলি হোস্পিটালদা পুরক্লে।



মমাঙদা এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অনন্দ কুমারনা মুজাফরনগরগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিরগা ৫০ হেন্না শোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা এন্তি টেররিজম স্কৱাদ থাজিন্দুনা থিজিনহনবদা থৌদোক অদু টেররিজমগা মরী লৈনদে হায়বা খঙলে।

রেলৱে মিনিষ্টরনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৩.৫ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। ফীভম থীনা শোক্লবা মীওইশিংদা লুপা ৫০,০০০ পীবগা লোয়ননা কা হেন্না শোক্তবা মীওইশিংদনা লুপা ২৫,০০০ পীরগনি হায়রি।

থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ৫.৪৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং উত্তর প্রদেশকী এন্তি টেররিজম স্কৱাদ থাজিন্দুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক্তা শরুক য়াহনখি। অশোকপশিং-হোন্দোক হোঞ্জিন তৌনবগীদমক এম্বুলেন্স কয়াসু থৌদোক থোকফমদা থাজিনখি।

য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভুনা থৌদোক অসি হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা সিনিয়র ওফিসারশিং চঙনবা য়াথং পীখ্রে। রেলৱেজগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মেনোজ সিনহানা লূচিংবা টিম অমা থৌদোক থোকফমদা থুংখিবগা লোয়ননা ফীভম য়েংশিনবা হৌরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনসু হীরম অসিগী মতাংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, অশোক-অপন নংলবা মীওই পুন্নমক ফীভম ফগাৎলক্ত্রিবা ফাওবা লেম্ন া লায়েংগনি। হীরম অসিগী মতাংদা রেলৱে মিনিষ্ট্রিগা তোয়না পাউ ফাওনদুনা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু কুপ্পা খন্নরি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, মুজাফরনগরদা উতকাল এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোক্লে তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোকই। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি। অশোক-অপন নংলবা মীওই পুন্নমক অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকপা ওইরসনু।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, লৈখিদ্রবা অমদি অশোক-অপন নংলবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনগনি।

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনদি রেলৱে মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রে।

# বি জে পিনা মতম শাংনা লৈঙাক পায়খিগনি : অমিত শাহ



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

বি জে পিনা শুপ্নগী চহী ৫ নৎত্রগা ১০ খক লৈঙাক পায়নবা মীখলদা মায় পাক্লকপা নত্তে হায়না পল্লদুনা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা হায়খ্রে, য়ামদ্রবদা চহী ৫০ রোম বি জে পিনা লৈঙাক পায়খিগনি।

পার্টিগী ৱার্কর খূদিংমক্না পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা মানা ঙম্বা থাক্তা অঙম্বা থৌদাং লৌগদবনি। হৌজিক হৌজিক সেন্টরদা মেজোরিটি ওইরবা পার্টি অসিগী অপুনবা এম এল এ ১,৩৮৭ লৈরবসু লৌখৎকদবা থৌরাং কয়ামরুম ৱাৎলি।

পার্টি ৱার্করশিংগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, ঙসিদি বি জে পিগী এম পি ৩৩০ সেন্টরদা লৈরে। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা এম এল এ ১,৩৮৭সু লৈরে। অদুম ওইনমক পার্টি ৱার্করশিংনা ফীভম অসিদা পেম্থোক্তুনা লৈবগী মহুত্তা চহী ৫০ হেন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

য়ামদ্রবদা চহী ৪০দগী ৫০ ফাওবা লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়ামরুম পুরকপা ঙমগনি হায়না মধ্য প্রদেশতা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী কোর গ্রুপ মেম্বরশিং, ওফিস বিয়ররশিং, এম পিশিং, এম এল এশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিংগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা পার্টিগী হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অমিত শাহনা হায়খিবনি মদুদি, মথংগী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সিট ৩৬০ হেন্না ফংবা ঙম্লগনি।

মীখল পাঙথোক্কদবা থা ২০ লোম ৱাৎলবসু হৌজিক্তগী হৌনা পান্দম ফংনবা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরগনি। তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টি ১৭না পুল্লগা মথংগী লোক সভা মীখলদা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা অমিত শাহগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## আর বি আইনা অনৌবা লুপা ৫০ পুথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না মহাত্মা গান্ধী (অনৌবা) সিরিজদা লুপা ৫০ চৎপীগী শেনয়েক অমা অথুবা মতমদা পুথোরক্লগনি। হায়রিবা শেনয়েক অসিদা আর বি আইগী গভর্নর অর্জিৎ আর পতেলগী খুৎয়েক য়াওগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হান্নদগী চৎনদুনা লৈরিবা লুপা ৫০ চৎপীগী শেনয়েকসু মখা তানা অদুমক চৎনখিগনি হায়না আর বি আইনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নৌনা পুথোক্কদৌরিবা শেনয়েক অসিগী মমায়দা ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা ৫০ হায়বা ময়েক থাগনি। ময়াইদনা মহাত্মা গান্ধীগী শক্তম য়েক্কনি। য়েৎথংবা মায়কৈদা অশোকা পিলরগী এমব্লেম য়েকপগা লোয়ননা মদুগী নাকলদা গভর্নরগী খুৎয়েক য়াওগনি হায়রি।

মনিংথংবা মমায়দনা শেনয়েক নম্বগী চহী, স্লোগানগা লোয়ননা স্বাছ ভারতগী লোগো, লেংগ্বেজ পেনেল অমদি শগোলগাড়ী য়েক্কনি। নৌনা পুথোরক্কদৌরিবা শেনয়েক অসি এম এম ৬৬ পাক্লগা এম এম ১৩৫ শাংগনি।

মমাঙদা আর বি আইনা লুপা ২০০ চৎপীগী শেনয়েক নম্বা হৌহনখ্রবনি। দিমোনেটাইজেসনগী মতুং তারকপদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অথুবা মতমদা লুপা ১০০০ চৎপীগী শেনয়েকসু পুথোরক্লগনি হায়রি।

# ঈচাউগী ফীভম লুশিল্লক্লি, মীওই ১৭০ শিখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

বিহার, উত্তর প্রদেশ, অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা মফম কয়াদা ঈচাউগী ফীভম ফগৎলকপা লৈত্রি।

বিহার অমদি য়ু পিদা ঈচাউনা মরম ওইরদুনা শিখিবা মীওই ১৭০ শুরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বিহার দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী পঞ্চায়ট ১,৬৮৮গী মীওই লাখ ১০৮ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা অরারিয়া দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ৩০ শিখি। ৱেষ্ট চম্পরন দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ১৩ শিখি। সিতামার্হি, সুপোল, কিষণগঞ্জ অমসুং ইষ্ট চম্পরন দিষ্ট্রিক্টতনা মীওই ১১/১১ শিখি।

অসামদা ঈচাউগী ফীভম খরমখৈ ফগৎলকপা তারবসু দিষ্ট্রিক্ট ২০গী খুঙ্গং ২,২০০দা হৌজিকসু ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা শিখিবা মীওই ৬০ শুখ্রে। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১১ শিখি।

হৌজিক হৌজিক মীওই ২৫,৯৩,৩১৪ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদগী চাউরাক্না মীওই ৯০,৫৬৬ তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ২০৯দা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ)না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মীওই ১১ শিখিবা মফমশিং অদুদি বক্সা, বর্পেতা, বোঙ্গাইগাউন, ধুব্রি, সাউথ সলমারা, কামরুপ, মোরিগাউন অমসুং কোক্রাঝারদনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ওইখিবা ফীভমগা য়েংনরুবদা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা ঈচাউগী ফীভম খরমখৈ ফগৎলে হায়না লৌবা য়াই। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২৪দা ঈচাউ থোকখি। অদুবু হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্ট ২০ খক্তমক ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরি। মহৈ-মরোং উবা লৌফম হেক্টর ১,২২,৯৭৫দি হৌজিকসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, অসামগী গভর্নর বনৱারিলাল পুরোহিতনা ন্যু দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনদুনা ঈচাউগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। অথুবা মতমদা সেন্ট্রেল টিম অমা থাবীরক্তুনা অসামগী ফীভম য়েংশিনবীনবা গভর্নরনা হায়জখি।

# যোগিনা রাহুলবু শীধরদুনা গোরখপুরদা পিক্নিক চৎফম নত্তে হায়খ্রে

গোরখপুর, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা হায়খ্রে মদুদি, গোরখপুরবু পিক্নিক চৎফম নত্তে হায়বা খঙগদবনি।



এন্সেফলাইটিস লায়না শন্দোরক্তুনা বাবা রাঘব দাস (বি আর দি) মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা অঙাং ৭১ শিখ্রবা গোরখপুরদা লু-নালহন্নবগী কেম্পেয়্যন অমা হৌদোক্লদুনা অদিত্যনাথনা হায়খি, মমাঙদা পাল্লম্বা সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবা অখিলেশ য়াদব অমসুং দিল্লিদা ফল্লিবা কোংগ্রেসকী লূচিংবশিংনা হৌজিক গোরখপুরদা চত্থরিবা লু-নালহনবগী কেম্পেয়্যন অসিগী মরুওইবা খঙবা ঙম্লোই। মখোয়না মফম অসিদা পিক্নিক লাকপগী মওংদা ঙাইহাক ঙাইহাক কোয়রকপগী থৌওং য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

অমরোমদা, অদিত্যনাথনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরবা গোরখপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। হন্দক মরক নোং কন্না চুবদগী নেপালগা থংনবা য়ু পিগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপা মরম্না মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না আর্মিগী মতেং লৌরগা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীসু বি আর দি হোস্পিটালদা অঙাং কয়া শিখিবগী থৌদোক য়েংশিন্নবা গোরখপুরদা থুংখ্রে।

মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টকী অশোয়বনা মরম ওইরগা মীশি-মীনা থোকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর যোগিনা লোৎশিন্নবা হোৎনরোইদবনি।

রাহুল গান্ধীনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংগা উনদুনা ৱারী শানবগা লোয়ননা ওথোরিটিগী মায়কৈদা অশোয়বা লৈখিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনগনি হায়না কোংগ্রেস দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট সয়দ জমালনা ফোঙদোকখি।

এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা বি আর দি হোস্পিটালদা লৈখিদবা মীওই ৭১ শুখ্রবনি। ওগষ্ট ১৫ অমসুং ১৬তা এন্সেফলাইটিসনা নারবা মীওই ১৪ হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। হান্নদগী হৌনা হোস্পিটাল অসিদা লায়না অসিনা নারবা মীওই ৬৪ লায়কন্নদুনা লৈরি হায়না হেল্থ দিরেক্টোরেটকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী ওইনা জন্যুৱারী ১দগী হৌজিক ফাওবদা এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা লৈখিদবা মীওই ১৪৪ শুরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটালদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদবদগী মীওই কয়া শিখিবনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা য়ু পিগী হেল্থ মিনিষ্টর সিদার্থ নাথ সিংহনা হায়খি মদুদি, চীফ সেক্রেটরিনা লূচিংবা অৱাং থাক্কী কম্মিটি অমনা থিজিল্লিবা মরম্না হৌজিকমক্কী ওইনদি মীওই কয়া শিখিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

EMPLOYMENT NOTICE

18th August 2017

Ref No. CC/8E/08/17 :- Applications are invited on prescribed form from willing, hard working and efficient candidates for the following posts:-

| Sl.No. | Name of Posts | Qualification | Age | No. of Post | Salary |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Office Assistant (Female) | M.Sc/M.A | Below 30 | 1 | ₹ 14,500 |
| 2. | Receptionist (Female) | B.A/B.Sc & above | Below 30 | 1 | ₹ 10,500 |

Last Date of Submission of Application form :-
1. For Receptionist : 25/08/2017
2. For Office Assistant : 01/09/2017

Date of Interview :- 1. For Receptionist : 26/08/2017 at 11:00 am
2. For Office Assistant : 02/09/2017 at 11:00 am

For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning, Airport Road

Sd/- Administrator

HL-B/4079/19-21

# ওগষ্ট ২৮ ফাওবদি নোর্থ ইষ্টতা ট্রেন সার্বিস লেপখিগদৌরি



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৯ :

ঈচাউনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক লমদমদা ওগষ্ট ২৮ ফাওবা ট্রেন সার্বিস লেপখিগদৌরি।

নোর্থ ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর) গী সেন্ট্রেল পব্লিক রিলেসন ওফিসার পি জে শর্ম্মনা গুৱাহাটিদা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়খি, মফম কয়াদা ঈচাউ থোকপদগী এন এফ রেলৱেগী থবক থৌরমদা চাউনা অপনবা থোক্লে। মরুওইনা বিহারগী কিষণগঞ্জ, কাতিহার অমদি অরারিয়া দিষ্ট্রিক্টতা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা ট্রেন সার্বিস হৌহন্নবা খোঙজেল য়াঙনা শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরি। এঞ্জিনিয়ারিং সেলগী এষ্টিমেট মনুং ইন্না ওগষ্ট ২৮ মমাঙদা ট্রেন সার্বিস মপুং ফানা হৌবা ঙমখিরোই হায়রি।

মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক মতম খরগী ওইনা দালখোলা অমদি দিব্রুগরগী মরক্তা দাইরেক্ট ট্রেন সার্বিস লৈহনবগা লোয়ননা দালখোলাদগী গুৱাহাটি ফাওবা অমসুং গুৱাহাটিদগী দিব্রুগর ফাওবা নুমিৎ খূদিংগী অখন্নবা ট্রেনশিং চেলহনবা হৌরে। করিগুম্বা ঈচাউগী ফীভম ফগৎলকপা তারবদি ওগষ্ট ২৮ ফাওবগী মনুংদা মহৌশাগী মতৌগুম ট্রেন সার্বিস লৈহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR,
OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER: IMPHAL WEST

N O T I C E

Imphal, the 19th August, 2017

NO.19/8/17-DSO CAF&PD I/W In pursuance of instruction received from the Directorate of Consumer Affairs, Food and Public Distribution, Manipur vide No. 1/634/2011–CAF&PD(Pt-III)/412 dated 07/08/2017 read with notification No. S.O. 2040(E) dated 29/06/2017 issued by the Government of India in the Department of Food and Public Distribution, it is hereby notified for information of all concerned that individual beneficiaries having ration cards are required to furnish proof of possession of Aadhaar Numbers or undergo Aadhaar authentication to receive subsidies under the National Food Security Act, 2013. This condition will also be applicable for all new beneficiaries.

Accordingly, all individual beneficiaries registered as Priority Household or Antyodaya Anna Yojana Household are directed to furnish details of Aadhaar number of each member of the household to the District Supply Officer, Imphal West through the duly licensed Fair Price Shop Agents of their respective locality preferably before 15/09/2017. Beneficiaries not possessing Aadhaar numbers shall also enroll themselves before 30/09/2017. Fair Price Shop Agents are further directed to collect and submit the proof of possession of Aadhaar by NFSA beneficiaries to the District Supply Officer, Imphal West in lots/batches not later than 30/09/2017.

(Ningthoujam Geoffrey)
Deputy Commissioner, Imphal West

HL-B/4081/20

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com

HL-B/4054/4to3 Sept.